# বজেট মীফম ঙসিদগী হৌখ্রে, লাইরবশিংগী ফিভম ফগৎন্নবা থৌশিল কয়া পায়খৎলি ঃ প্রসিদেন্ট



*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ৩১ঃ*
ঙসি পার্লিয়ামেন্টকী বজেট মীফম পুং ১১ তাবদা হৌখ্রে। লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী অপুনবা হৌদোকপগী থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট প্রনব মুখর্জিনা ৱা ঙাংখি। রেলৱে বজেট খাইদোক্তুনা ফেব্রুৱারি ১দগী বজেট মীফম চত্থবা হৌগনি।

অহানবা ওইনা ইকোনোমিক সর্ভে চথখিবগী ৱাফমশিং মীফম অদুদা পুথোক্কনি। লৈঙাক অসিনা ঙসি ফাওবদা পায়খৎলকখিবা থৌরমশিংসু বজেট মীফম অদুদা ময়েক শেংনা উৎকনি।

নাকল অমরোমদা ওপোজিসন পার্টিনা ফেব্রুৱারি ১দগী হৌখিবা বজেট মীফম অদু ফিসকেল ইয়র হৌরকপা এপ্রিল ১দগী মরু ওইবা পোলিসি চৎনহন্নবা ৱাফম পুথোকফম থোকই। নাকল অমরোমদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা ইকোনোমিক সর্ভেদা ফং লকখিবা দেটাশিং মীফম অদুদা পুথোক্কনি হায়রি।

য়ুনিয়ন বজেট মীফমদা রেল বজেট য়াওহনবা হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইগদৌরি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীফম অদু মপুং ফানা চত্থবা য়াহন্নবা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মতেং পীবীনবসু হায়জখ্রে।

ত্রিনামুল কংগ্রেসকী লুচিংবী অদুগা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিগী মায়কৈদগীদি নুমিৎ ২নি চত্থগদবা বজেট মীফম অদু য়াওরোই হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। মীফম হৌদোকখিবদা প্রসিদেন্ট প্রনব মুখর্জিনা হায়, হন্দক ফমগদৌরিবা বজেট মীফম অসি ইতিহাস অমা ওইরগদবা রেলৱে বজেট য়াওবা মীফমনি।

ঐখোয় ঙসি অমুক হন্না দিমোক্রেসিগী চৎন কাংলোনগী মতুং ইন্না পুনমিন্নরে। গুরু গোবিন্দ সিংহগী চহী ৩০০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমসু থোক্লি। নুমিৎ অসিনা ঐখোয়দা ইথিল অমা পীরি। লৈবাক অসিনা তোঙান-তোঙানবা লুচিংবা লিশিং ১ রোমগী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোক্লি হায়খি।

জনশক্তি হায়বদু ঙসিদি স্বচ ভারত হায়না ওন্থোক্তুনা মীয়াম্না শরুক য়ারি। লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী শক্তিবু ইকায় খুম্নবগা লোয়ননা অফবা মওংদা থৌশিল কয়া পায়খৎনবা হোৎনরি।

লাইরবশিংগীদমক অকনবা থবক তৌরম্বা ফিলোসোফর পনিদট দিন দয়াল উপদ্যাইয়ানা লৈঙাক অসিবু লমজিং লমতাক্লম্মী। লৈঙাক অসিনা হৌজিক জন ধন একাউন্ট ক্রোর ২০ হাংদোকহনবা ঙমখ্রে। তোঙান-তোঙানবা ৱেলফেয়র স্কিম কয়া লাইরবা মীওই ক্রোর ১৩ কোনশিনবা ঙমখ্রে।

বেঙ্কিং সিষ্টেম চৎনহন্দুনা য়ুমথোং খুদিংমক মরু ওইনা লাইরবশিংসু বেঙ্ককী খুদোংচাবা ফংহল্লে। মদুতা নত্তনা ইন্দিয়ান পোষ্টেল পেমেন্টকী থৌশিলসু চৎনহন্নবা থৌশিল পায়খৎলি। প্রধান মন্ত্রি মুদ্র য়োজনগী মখাদা লুপা ক্রোর কয়া শেল্হং পীখ্রে।

লৈঙাক অসিনা মরু ওইনা নুপীশিংদা অখন্নবা শক্তি পীননবা থৌশিল পায়খৎলি। লাইরবশিংগীদমক য়ুম শাননবা, অফবা ঈশিং অমসুং গ্রিন ইন্নর্জি ফংহন্নবা থৌশিল কয়া পায়খৎখি। স্কিম অদুগী মখাদা টোইলেট ক্রোর ৩ শাখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি জল অভাস অমসুং উজলা য়োজনাগী মখাদা লাইরবা ইমুংশিংগী চাদ ৩৭ লেম্না গ্যাস ফংহনবা অমসুং মৈখু থোক্তবা চাকখুম অমা ওইহন্নবা থবক পায়খৎলি। সেদ্যুল কাষ্ট অমসুং সেদ্যুল ত্রাইবশিংগীদমক চাদ ৩৭ খুদোংচাবা পীরি।

দিন দয়াল উপদ্যাইয়া গ্রাম জয়োতি য়োজনাগী মখাদা খুঙ্গং ১১০০ মৈ ঙালহন্নবা থৌশিল পায়খৎখ্রে। মিসন ইন্দ্রধনুসকী মখাদা অঙাং খুদিংমক লায়না কয়াদগী ঙাকথোক্লুবা টিকা থাবগী থবকসু পায়খৎলি। লৌমীশিংগী ওইনসু য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎলি হায়খি।

## হান্নগী মিনিষ্টর ই-অহম্মদ পার্লিয়ামেন্টতা ৱাম্বরকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ৩১ঃ*
পার্লিয়ামেন্টকী বজেট মীফম হৌবা নুমিৎতা ঙসি হান্নগী মিনিষ্টর অমসুং কেরলাগী সেনিয়র লিদর ই-অহম্মদ জ্ঞান মাংদুনা ৱাম্বরকখ্রে। প্রসিদেন্ট প্রনব মুখর্জিনা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী অপুনবা মীফমদা ৱা ঙাংলিঙৈদা ই-অহম্মদ ৱাম্বরকখি।

অহম্মদ ডাঃ মনমোহন সিংহগী লৈঙাক মতমদা এক্সটর্নেল এফিয়ার্স (ষ্টেট) মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুরমখিবনি। মহাক খুদক্তা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। চহী ৭৮ শুরবা কেরলা লোক সভাগী মেম্বর অদু রাম মনোহর লোহিয়া হোস্পিটালদা ডাক্তরশিংনা ভেন্টিলেটর পীদুনা লায়কন্নরি।

এম পি অদু হোস্পিটালদা পুরকপা মতমদা মীহুন অমত্তা য়াওরমখিদে। হোস্পিটাল অদুগী ডাক্তর কাংবু অমনা অখন্নবা থৌশিল পায়খৎতুনা হার্ট বিট অমুক হন্না লৈহনবা ঙমখি। মীওই অদুগী ফিভম হৌজিকসু লুরি হায়না সেনিয়র ডাক্তর অমনা ফোঙদোরক্লি।

পার্লিয়ামেন্টকী ষ্টাফশিংনা অহম্মদপু ফর্স্ত এদ পিনবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক মহাক্কী ফিভম ফগৎলক্তবদগী হোস্পিটালদা পুখৎখি। ঙসি নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুং ২.১৫ চৎপদা মহাক রাম মনোহর লোহিয়া হোস্পিটালগী ট্রাওমা সেন্টরদা থাংদোক্তুনা লায়কন্নখি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা এম পি অদুগী হকচাংগী ফিভম হংলকখ্রে। হোস্পিটালগী পাউ মতুং ইন্না কংগ্রেসগী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধি অমসুং য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জিটেন্দ্র সিংহনা হোস্পিটাল অদুদা লাক্তুনা ফিভম য়েংশিল্লমখ্রে। ই অহম্মদ কেরলাগী মালাপুরম কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী কারক্তুনা লোক সাভী মেম্বর অমা ওইরকখিবনি হায়রি।

# নোংপোক থংবা য়ুক্রেনদা খুৎ থোক্লবদা মীওই ৮ শীরে



*দোনেটস্ক, জনুৱারি ৩১ঃ*
নোংপোক থংবা য়ুক্রেনদা লৈঙাক্কী লান্মী অমসুং রসিয়ানা শৌগৎপা রিবেলশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৮ শীখ্রে। অদুগা ১২ হেনবনা অশোক অপন নংখ্রে।

ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লমদম অদুদা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লবদা মীওই ৮ শীখি। অদুগা কোল মাইন্নর ২০০ হেনবনা লৈনুংদা থোকপা য়াদনা লৈখ্রে হায়রি।

দোনেটস্ক রিবেলশিংনা ফোঙদোরকখিবদা সেল কাপশিল্লকপদগী ইলেক্ট্রিসিটি সব ষ্টেসন অমা অমাং অতা থোকখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা জৈয়াদকো কোল মাইনদা মৈ ফংবা ঙমদ্রে।

কোল মাইন অদু সেফটি ষ্টেন্দর্দ ঙাক্লা থবক তৌদে। ইং ২০১৫দা মিথেন গ্যাস থোকপনা মরম ওইরগা মীওই ৩৩গী পুন্সি মাংখ্রে। কোল মাইন অদুগী ইলাভেটর মথৌ তৌদবনা মাইন্নরশিং অদু লৈনুংদগী থোকপা ঙমদনা লৈখি।

কাইনথংদা লোকেল ওথোরিটিনা জেনরেটর শীজিন্নদুনা ইলাভেটর অদু মথৌ তৌহনবগা লোয়ননা মনুংদা লৈখিবা মীওই ২০০গী মনুংদা ১৫২ লৌথোকপা ঙমখ্রে।

সেপরেটিস মিলিটরিগী ৱাঙাংলোই ইদৱার বাসুরিনগা রসিয়ান ষ্টেট রোসিয়া ২৪ টেলিভিজনগা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা উন্নবদা সেপরেটিসশিংনা সেল কাপশিনবদগী পৱার লাইন অমাং অতা থোকখিবনি হায়বদু য়াখিদ্রে। লমদম অদুদা থা কয়াগী মমাঙদগী আরটিলরি সেল কয়া কাপশিল্লক্লি।

য়ুক্রেন সিক্যুরিটি এন্দ দিফেন্স কাউন্সিলগী চেয়ারমেন ওলেক্স সেন্দর টর্চিনোবনা ফোঙদোরকপদা অবদিবকাদা অকনবা মওংদা সেল কাপশিল্লকপা লৈখি। দোনেটস্ককী অৱাং থংবা শরুকশিং সেপরেটিস রিবেলশিংগী খ্বাইদগী কনবা মফম ওইরিবনি।

লমদম অদুদা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা মীওই কয়া শীখ্রে। অদুগা ২৪ হেনবনা অশোক অপন নংখ্রে হায়খি।

## সিনাইদা ইস্লামিক মিলিটৈন্টশিংনা লান্মী ২০ হাৎখ্রে, কয়ানা শোকহনখ্রে

*কাইরো, জনুৱারি ৩১ঃ*
ইজিপকী লালহৌবগী ইরাংনা লৈতাদ্রবা সিনাইন পেনিনসুলাদা ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংগী লোকেল মিলিটৈন্টশিংনা ইজিপকী লান্মী ২০ হাৎখ্রে। অদুগা কয়ানা অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি। নুমিৎ ৪নি চুপ্না খা থংবা সহর ইল-আরিসতা খুৎ থোক্লবদা লান্মীশিং অদু হাৎখিবনি হায়রি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা প্রো ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী ৱেব সাইটতা ফোঙদোরকখিবদা মিলিটৈন্টশিং অদুনা লৈঙাক্কী এম ৬০ টেঙ্ক অনী, হুম্বি অমসুং লান্মীগী গারী অনী অমতাং অতা থোকহনখ্রে হায়রি।

সিক্যুরিটি ফোর্সনা আই এসনা লুচিংবা লোকেল মিলিটৈন্টশিং অদুগা হৌখিবা চহীদগী হৌনা সিনাইদা অকনবা খুৎ থোক্লদুনা লাকখিবনি।

অদুম ওইনমক হৌখিবা চহী ৩দা থোক্লখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং অদুদা মিলিটৈন্টশিংনা হেন্না খুদোংচাবা ফিভমদা লৈরি। সিক্যুরিটি ফোর্সনা হন্দক্তা মখোয়গী ওইবা খোঙজংশিং হেন্না ফগৎহন্দুনা মিলিটৈন্টশিংগী মথক্তা অকনবা কোম্বীং ওপরেসন চত্থবা হৌখি।

মরুভুমিগী লমদমদা লৈবা মিলিটৈন্টশিংসু তকথোক্লবা অকনবা থবক পায়খৎখি। মমাঙ চয়োলদা ইজিপ লান্মীনা ফোঙদোকখিবদা মখোয়গী লান্মী ৫ য়েক্লবশিংনা সিনাইদা হাৎখিবা লৈখ্রে।

লৈঙাক্কী লান্মীনসু মিলিটৈন্টশিংগী মথক্তা অকনবা থবক পায়খৎতুনা মশিং য়াম্লবা মিলিটৈন্টশিং হাৎপা ঙমখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি। লমদম অদুদা ইস্লামিমক ষ্টেটকা খুৎশম্নবা লোকেল মিলিটৈন্টশিংনা লৈঙাক্কী লান্মীদা লেপ্লা লৈতনা এটেক্ট চত্থরকপসু লৈরি হায়রি।

## মিজোরাম পুলিসনা লুপা লাক্ষ ১৬কী হেরোইন মীওই ৩দগী ফারে



*আইজোল, জনুৱারি ৩১ঃ*
মিজোরাম পুলিসনা মীওই ৩দগী লুপা লাক্ষ ১৬কী ওইগদবা হেরোইন গ্রাম ৪৪৫.৩ লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফারে। পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না আইননা থিংখ্রবা পোৎলম অদু লোকেল মার্কেটতা লুপা লাক্ষ ১৬ লোমগী ওইগনি।

পোৎলম অদু ম্যান্মারদগী মিজোরামগী ঙমখৈ খুঙ্গং জেখাওথরদা লানশিল্লক্তুনা আইজোলদা থাদোক্লবা হোৎনরমখিবনি। ফারবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা অনীদি অৱাং থংবা ত্রিপুরাদা লৈবা ব্রু কম্যুনিটিগী মীওইশিংনি। অদুগা মখোয়না শীজিন্নরমখিবা গারী অদুগী ড্রাইভরনা ম্যান্মারদগীনি হায়রি।

নার্কোটিক ড্রগস এন্দ সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্সেস এক্ট ১৯৮৫কী মখাদা মীওইশিং অদু বুক তৌখিবনি হায়রি। পাউ অসিগী মতুং ইন্না জেমস লালনুনচরা (৩১) অমসুং ধাম চেরাদগী তিনসিয়াক রিল ত্রিপুরা (২৬) কৌবা মীওই অনীদু ফাননবা মতম কয়াগী মমাঙদগী পুলিসনা য়েংশিন দুনা লাকখি।

মখোয় ড্রগ লল্লোলনবগী লমদা চেন্নবা মীওইশিংনি। অদুম ওইনমক মখোয় চপ চাবা প্রমান লৈতবদগী ফাবা ঙমদনা লাকখিবনি হায়রি।

## এ টি এমদগী লুপা লাক্ষ ৮.৬২ হুরানবা মীওই অমা ফারে

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ৩১ঃ*
ন্যু দিল্লিগী সকরপুরদা লৈবা ওটোমেটেদ টেল্লর মেছিন (এ টি এম)দগী লুপা লাক্ষ ৮.৬২ হুরানখিবনি হায়বা চহী ২৩ রোম শুরবা মীওই অমা ফারে।

সুপেন্দ্র সিংহ কৌবা মীওই অদু প্রাইভেট ফার্ম অমদা থবক তৌবনি। মহাক এ টি এম বুথ অমগী সিক্যুরিটি ওইনা লৈখি। মীওই অদুদগী এ টি এমদগী হুরানখিবা লুপা লাক্ষ ৮.৬০ ফাগৎপা ঙমখ্রে।

ইষ্ট দিল্লিগী সকরপুরদা লৈবা এ টি এম বুথতা খিনবা সি সি টি ভি কেমেরা মথৌ তৌবা ঙমদবগী খুদোংবা লৌদুনা মীওই অদুনা হরানবগী থবক চত্থখিবনি। অদুম ওইনমক এ টি এম বুথ অদুদা খিনবা অতোপ্পা কেমেরা অমদি মথৌ তৌদুনা লৈখি।

কেমেরা অদুদা তারম্বা ইমেজশিং য়েংশিনবদা এ টি এমগী কেবিন অদুদা মীওই অমনা চংশিল্লক্তুনা মেছিন অদু ওপরেট তৌনবা হোৎনবা উখি। মখা তানা য়েংশিনবদা মীওই অদু প্রাইভেট সিক্যুরিটি ফার্ম অমগী থৌমীনি হায়বা খঙবা ঙমখি হায়না ইষ্ট দিল্লিগী দি সি পি ওমবির সিংহনা ফোঙদোরক্লি।

মরাল লৈরবা মীওই অদু কোইচেন চেন্দুনা লৈখ্রবা মতুং উত্তরপ্রদেশকী কানোজ দিষ্ট্রিক্টতগী ফাবা ঙমখিবনি হায়রি।

## এন ই নাইজেরিয়াদা সুসাইদ বোম পোকখায়খ্রে

*অবুজা, জনুৱারি ৩১ঃ*
অৱাং নোংপোক থংবা নাইজেরিয়াদা লৈবা মোস্ক অমদা টার্গেট তৌরকপা সুসাইদ বোম অমা পোকখায়খ্রে। চহী ১০ রোমগী ওইগদবা সুসাইদ ভেষ্ট শেৎপা নুপীমচা অমা চংশিল্লকপা উবদা লান্মীনা খামখি।

নুপী মচা অদুনা লান্মীগী আই দি বি কেম্প তম্না চংশিন্নবা হোৎনরকখি। নুপী মচা অদু লেপ্পনবা হায়বদা তাশিন্নদা চৎখি। লেপত্রবদি নোংমৈন কাপকনি হায়না কিহনখি। তুংদা নুপী মচা অদু লেপ্তুনা লৈখি। মদুগী মতুংদা মঙোন্দা য়োমশিল্লক্লিবা সুসাইদ ভেষ্ট অদু লৌথোকপীনবা হায়রকখি।

মঙোন্দা পোকখায়বা য়াবা বোমশিং অদু য়াওদুনা লৈরে হায়না ফোঙদোরকখি। অদুম ওইনমক নুপীমচা অদুনা খঙহৌদনা বোম অদু পোকখায়হল্লকখি। থৌদোক অদুদা মীওই অমত্তা অশোক অপন নংখিদে হায়রি।

লান্মীগী কেম্প অদুদা এটেক্ট চত্থনবা হোৎনরকপা হন্দক্কী অসিনা অনীশুবা থৌদোকনি। জনুৱারি ১৮দা নহা ওইরিবা নুপী অমা অমসুং নুপা মচা অমা কেম্প অদুগী মপানদা চৎতুনা লৈরম্বদগী লেপ্পনবা হায়বদা য়াদবদগী কাপ্তুনা হাৎখি।

অদুগুম্বা বোম পোকখায়হন্নবগী থৌশিল অদু বোকো হরামনা চত্থখিবনি হায়রি।

## আই টি দিপার্টমেন্টনা শেন্থোক্কা চান্নদনা শেল থমজিল্লকপা মীওই লাক্ষ ১৮ থেংনখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ৩১ঃ*
নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্না দিমোনিটাইজেসন চত্থখিবা মতুং শেন্থোক্কা চান্নদনা দিসেম্বর ৩০ ফাওবদা শেল কয়া বেঙ্ক একাউন্টতা থমজিল্লকপা মীওই লাক্ষ ১৮ মশক খঙদোক্তুনা মখোয়না থমজিল্লক্লিবা শেনফমশিং অদুগী মরী মখোঙ তাক্লনবা এস এম এস অমসুং ই-মেলগী খুথাংদা খঙহনখ্রে।

ঙসি রেভিন্যু সেক্রেটরি মাসমুখ অধিয়ানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা অনৌবা সোফৱেয়ারশিং শীজিন্নদুনা ইং ২০১৬গী নভেম্বর ৮দা লৈঙাক্না দিমোনিটাইজেসন তৌখিবা মতুং শেন্থোক্কা চান্নদনা শেল থমজিল্লকখিবা মীওইশিং মশক খঙদোক্লে।

অধিয়ানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিদা লৈবা বেঙ্ক একাউন্ট ক্রোর ১ রোমদা শেনফম কয়া থমজিল্লকখি। মদুগী মনুংদা বেঙ্ক একাউন্ট লাক্ষ ১৮দা চুন্নদবা মওংদা শেল থমজিল্লকপা থেংনখি।

হায়রিবা বেঙ্ক একাউন্টশিং অদুদা চৎনহনখিদ্রবা শেনয়েকশিং মখোয় মখোয়গী শেন্থোক্কা চান্নদনা টেক্স পীবগী প্রোফ্রাইল অমত্তা য়াওদনা শেল থমজিল্লকখি হায়রি।

মখোয়গী মথক্তা আই টি দিপার্টমেন্টনা অকনবা মীৎয়েং চংলি হায়নসু লুচিংবা অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## মেঘলয়াগী বস এক্সিদেন্টতা মীওই ১ শীরে মীওই ৪৫ হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে



*সিল্লোং, জনুৱারি ৩১ঃ*
মেঘলয়াগী লাউবাহদা ঙরাং মীওই কয়া পুদুনা লাকখিবা বস অমা মিটর ১২ রোম লুবা লোকনুংদা ওন্থখিবদা নুপী অমা শীরে। অদুগা মীওই ৪৫না অশোক অপন নংখ্রে।

রেজিষ্ট্রেসন নম্বর এম এল-০৫ কে ৯৯২৮ ওইবা বস অদু রেঙ্কুদগী সিল্লোং তম্না লাকপনি। বস অদুনা মাওজিয়ামবুইন য়ৌরকপা নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুং ১.৪৫ চৎপদা অরুবা লোকনুং অদুদা ওন্থখিবনি হায়রি।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না বস অদু কেরসন সাউকামি কৌবা মীওই অমনা থৌবনি। খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা চান্দমুনি বনাই (৫০) কৌবী পটাগরদগী লাকপা নুপী অমা লৈখিদ্রে।

অদুগা শোক্লবা মীওইশিং অদুনা সিল্লোং সিভিল হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে। কা হেন্না শোকপা মীওইশিং সিল্লোংদা লৈবা সিভিল হোস্পিটালদা লায়কন্নরি। অদুগা খরতমক শোকপশিংনা মাওসেনরামদা লৈবা কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টরদা লায়কন্নরি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা থিজিন হুমজিনবগী থবক চত্থখ্রে।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না মেঘলয়াদা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক থোকপা অনৌবা অমা নত্রে। অদুম ওইনমক মীওই মশিং য়াম্না শোকহনবদি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি হায়রি।

## য়েমেন রিবেল এটেক্তা সাউদি সেল্লর ২ শীরে

*রিয়াধ, জনুৱারি ৩১ঃ*
রেদ সিদা য়েমেন রিবেলশিংনা এটেক্ট চত্থবদা সাউদি সেল্লর অনী শীখ্রে হায়না সাউদিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা কাংবুনা ফোঙদোরক্লি।

চুংশিন্নবা কাংবুনা ঙরাং ফোঙদোকখিবদা হাউথি রিবেলশিংগী হি অহুমদা সাউদি ব্রিগেদনা হৌদৈদা হায়না খঙনবা য়েমেনগী সমুদ্র খোঙবানদা এটেক চত্থখি।

সাউদি লান্মীগী লালগী জহাজশিংগা হি অমা থেংজিন্নবদা জহাজ অদু পোকখায়দুনা মৈ হৌনা চাকখি। মৈ অদু লাকশিনবা ঙমখ্রে। থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা সাউদিগী সেল্লর অনীগী পুন্সি মাংখ্রে। অদুগা অহুমনা অশোক অপন নংখ্রে হায়রি।

ইং ২০১৫গী মার্চ থাদগী চুংশিন্নবা কাংবুনা য়েমেনগী সমুদ্রদা অকনবা মীৎয়েং চংদুনা এয়ারষ্ট্রাইক চত্থখি। রিয়াধনা হাউথিশিংবু শৌগৎলি হায়না ইরানদা মরাল শীরি। অদুম ওইনমক টেহরাননদি ৱাফম অদু য়াদ্রি।

চুংশিন্নবা কাংবুনা য়েমেনগী কোনুং সানাদা অকনবা এটেক্ট চত্থদুনা প্রসিদেন্ট অবেদ্রাবু মন্সুর হাদিগী ফোর্সশিং রিয়াধ ফাওবা তকথোকপা ঙমখ্রবনি হায়রি।

## অনাবশিংদা নমথাক তৌবা হোস্পিটাল ৭ বুক তৌখ্রে

*মুম্বাই, জনুৱারি ৩১ঃ*
লিগেল মেট্রোলোজি দিপার্টমেন্ট (এল এম দি)না নিংথৌকাবা নুমিৎতা অনাবশিংদা নমথাক তৌবনি হায়বা মমিং লৈরবা হোস্পিটাল ৭ বুক তৌখ্রে। লোয়ননা মখোয়গী মথক্তা কেস লৌখৎখ্রে।

হোস্পিটালশিং অদুনা মেক্সিমম রিটেল প্রাইস অমসুং পেকেজ কমোদিটি রুল ইং ২০১১ থুগাইবগী মরাল শীরি। লিলাৱাটি হোস্পিটাল (বন্দ্রা), ফোর্টিজ হোস্পিটাল (মুলুন্দ), কোকিলাবেন ধিরুবাই অম্বানি হোস্পিটাল (অন্ধেরে), এসিয়ান হার্ট ইন্সটিট্যুট (বন্দ্রা), হিরানন্দানি হোস্পিটাল (পোৱাই), গ্লোবেল হোস্পিটাল (পরেল) অমসুং ঐচ এন হোস্পিটাল (গিরগাউন্দ)গী মথক্তা এল এম দিনা মীৎয়েং চংলে হায়রি।

হোস্পিটালশিং অদুনা বেলুন দিভাইজ, ইঞ্জোগ্রাফি কেথেটর, য়ুরেটিক য়ুরো ৱার্ল্ড, ফেব্রিক নেচরেল ফাইবর, ফোর কেথেটর, গাইদ ৱেয়র, ব্রিথিক সক্যুইট, লিম্বো সিঙ্গল লিম এনেসথেসিয়া, হেন্দসন গ্লোব অমসুং ব্লদ কলেক্টরনচিংবা পোৎলমশিং মমল হেঞ্জিন্না লৌদুনা লায়েং চত্থরমখি হায়রি।

এল এম দি ওফিসিয়েলশিংনা অদুগুম্বা পেকেজ কমোদিটিশিং অদু করম্বা কাংলুপনা পুশিল্লকখিবনো হায়বা মশক মমিং অমত্তা থাদে। লোয়ননা কষ্টম্মর কেয়র নম্বর অমসুং পোৎলমশিং অদু পুশিল্লকখিবগী চপ চাবা চহী অমত্তা খঙহনদে হায়রি।

মদুতা নত্তনা লায়েংবা লাকপা মীওইশিংগী অরুম্বা ওন্নবা শীজিন্নবা খুৎলায়শিং অদুসু মতম মতমগী মতুং ইন্না ভেরিফাইদ তৌবা লৈতে হায়রি।

### GAS TODAY

**MANIPUR GAS**
Booking upto .......27/09/2016
Valid from ........... 24/09/2016
Stk ......................512 (DBTL)
19 kg ..................................60
Timing........7.30 to 9.30 a.m

**LAMBODARA INDANE**
Booking upto .......10/11/2016
Valid from ........... 08/11/2016
Stk ..................................306
Timing........7.30 to 10.00 a.m

**LAMSANG GAS**
Booking upto .......05/10/2016
Valid from ........... 29/09/2016
Stk ......................306 (DBTL)
Timing........7.30 to 11.00 a.m

**MM GAS**
Booking upto .......28/09/2016
Valid from ........... 20/09/2016
Stk ..................................612
Timing........6.30 to 10.00 a.m

**JEMON GAS, SINGJAMEI CHINGAMATHAK**
Booking upto .......06/09/2016
Valid from ........... 30/08/2016
Stk ........................612 (CTC)
Timing........7.00 to 10.00 a.m

**HIYANGTHANG INDANE**
Booking upto .......03/11/2016
Sl. No. Upto 5091
Valid from ........... 28/10/2016
Stk ..................................306
Timing........7.30 to 10.30 a.m

**MAHALAKSHMI INDANE**
Booking uto .......17/10/2016
Valid from ........... 23/09/2016
Stk ......................306 (DBTL)
Timing........7.30 to 10.30 a.m

**LAICHING KANGSANG INDANE**
Booking upto .......20/12/2016
Valid from ........... 01/12/2016
Stk ..................................306
Timing........7.30 to 10.00 a.m

**KHONGNANG GAS, NINGTHOUKHONG**
Booking upto .......31/07/2016
Valid from ........... 23/07/2016
Stk ..................................306
Timing........7.00 to 10.00 a.m

**MAIBIA GAS**
Booking upto .......11/10/2016
Sl. No. 11141
Stk ..................................594
Timing........7.00 to 11.00 a.m

### সনা-সুদোকু- ৭৭৩ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 6 | 4 | 5 | 7 | 9 | 2 | 1 | 8 |
| 1 | 5 | 8 | 2 | 3 | 6 | 7 | 9 | 4 |
| 7 | 9 | 2 | 1 | 4 | 8 | 6 | 5 | 3 |
| 9 | 3 | 1 | 6 | 8 | 7 | 4 | 2 | 5 |
| 2 | 4 | 5 | 9 | 1 | 3 | 8 | 6 | 7 |
| 8 | 7 | 6 | 4 | 2 | 5 | 9 | 3 | 1 |
| 4 | 2 | 3 | 7 | 9 | 1 | 5 | 8 | 6 |
| 6 | 1 | 7 | 8 | 5 | 2 | 3 | 4 | 9 |
| 5 | 8 | 9 | 3 | 6 | 4 | 1 | 7 | 2 |

### SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-774**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | | 8 | | | 7 | 3 | | |
| | 4 | | 8 | | | | | |
| | 7 | | | | | 9 | 6 | |
| | 6 | 5 | | | | | | |
| | 3 | 1 | | | | 6 | | 5 |
| | 2 | 9 | 6 | | | | 7 | |
| 6 | 9 | | | | | | 2 | 1 |
| | | | | | | | | |
| | | | | 5 | 1 | | | 6 |